# পিএমগী এদভাইজর মোরেদা লাক্তুনা বোর্দর ত্রেদকী ফিভম য়েংশিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল মে ১৮ :* প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর টিকেএ নায়র ঙসি অয়ুক মোরেদা লাক্তুনা বোর্দর ত্রেদকী ফিভম য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা ম্যান্মারগী তমুদা লৈবা বোর্দর ত্রেদকী ওফিসতা চৎতুনা বোর্দর ত্রেদকা মরী লৈনবা ওফিসারশিং উন্নদুনা হকথেংননা ৱারী শান্নখ্রে। মোরে ত্রেদ সেন্টরদসু ত্রেদরশিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা অখন্নবা হেলিকোপ্টর অমদা এদভাইজর টিকে নয়ার মোরেদা হেক থুংলবগা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং তেংনৌপল কেন্দ্রগী এমএলএ দি কে কুরুংথাং য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা ওকখি। তুংদা লেন্দ কষ্টম ওফিসকী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনিগী ওইনা ললোন-ইতিক্কী থবকশিং খুমাং চাওশিন্না পায়খৎননবা ম্যান্মারগী তমুদা লৈবা বোর্দর ত্রেদকী ওফিসতা চৎতুনা বোর্দর ত্রেদকী ওফিসার কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

তমুগী বোর্দর ত্রেদগী সেক্যুরিটি অয়েং কোনা লুচিংদুনা তমু টাউন্দ মনুংদা লৈবা মার্কেট হকথেংননা য়েংশিনখি। খোঙচৎতুদা দিজিএফদি অনুপ কে পুজারি, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী রাজেসকুমার, কোলকটাগী ডাইরেক্টর সেফেভিন দেবজানি রোই, ২৫ শুবা বিআরটিএফকী সিও মোহনলান, মণিপুর পুলিসকী দিআইজি টিঐচ চন্দ্রমনি, ৯ শুবা এআরগী সিও রোহিট খারে, চান্দেলগী এসপি ই প্রিয়োকুমার, এদিসনেল এসপি ইন চার্জ কম ইম্মিগ্রেসন ওফিসার মোরে এম মোবি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মণিপুর ও নবকিশ্বর য়াওনা অতৈ ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎতু লোইরবা মতুং ম্যান্মারগী নম্ফালোং কৈথেল য়েংশিনখি। লোয়ননা কৈথেল অদুদা মণিপুরগী ললোন ইতিক তৌবা মীওই অমদা হৌজিক লৈবাক অনিগী মরক্তা তৌনরিবা ললোন ইতিক অসিদা করি করি পোৎনা খ্বায়দগী হেন্না দিমান্দ লৈ হায়না হংদুনা ললোন ইতিক তৌরিবশিংগী মত লৌখি। তুংদা মোরে ত্রেদ সেন্টরগী কনফরেন্স হোলদা ইন্দিয়াগী ত্রেদরশিং য়াওনা মীটিং পাঙথোকখি। মীটিং অদুদা ত্রেদরশিং অদুনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। মীফমদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এডভাইজর টি কে এ নয়ারনা ত্রেদরশিংনা পান্নিবশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরমখি। মীফমদু লোয়বগা মোরেগী বোর্দর ত্রেদ এন্দ চেম্বরস ওফ কর্ম্মসকী সেক্রেটরি সুরেন্দ্র সিংহ পথেজানা মোরেদা হৌজিক ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং টেলিকম্যুনিকেসন য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। মরুওইনা মোরে অসি য়াম্না শাবা লম অমা ওইবনা ইলেক্ট্রিসিটি চাং নাইনা ফংহন্নিংই। বিএসএনএলগী লাইন য়াম্না চাং নাইদবনা ত্রেদকী ওইনা পাউ ফাওদোক ফাজিন তৌবদা খুদোংচাবা কয়া মায়োক্নহল্লি হায়বা ৱাফমশিং পুখৎখি।